# চীং নীংখায়বা অমসুং ঈচাওনা নেপালদা মীওই ৬৩ শিখ্রে, সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মী কনবগী থবক চথুরি



ঈচাওগী অৰাবা মায়োক্নরিবা নেপালগী মীয়াম

**কাঠমান্দু, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইদুনা চীং নীংখায়বা অমসুং ঈচাও থোকপদগী নেপালদা মীওই ৬৩ শিহনখ্রে হায়রি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চীংশিংদা খুন্দাবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক চত্থখ্রে হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌদুনা নেপালদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈশিংগী ঈমায় পাথোরক্তুনা তমথীরবা ঈচাও ওইরকপদগী চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং পাক শন্না থোক্লি।

নেপালগী নেশনল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট ওঠোরিটিগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবী শান্তি মহাটনা চীং নীংখায়রকপনা মরম ওইদুনা খুদোংথীবা মায়োক্নরিবা মফমশিংদা য়ৌশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি হায়খি। মী কনবশিংনা খুদোংথীবা মায়োক্নরিবা মফমশিং অদু মখোঙনা চৎতুনা তেংবাঙ পীবা অমসুং মী কনবগী থবকশিং চত্থরি হায়রি।

লৈবাক অসিগী কোনুং কাঠমান্দুদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈশিংগী ঈমায় পাথোরক্তুনা সিটি অদুদা লৈরিবা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা হেলিকোপ্টর অমসুং মোটোর বোটশিং শীজিন্নদুনা মী কনবগী থবকশিং পাক শন্না চত্থরি হায়রি। লৈবাক অদুদা খুন্দারিবা হিন্দুশিংগী কুম্ভে অমা ওইরিবা দাশাইন য়াওরুরগা হল্লকপদা লেপ্তুনা নোং চুবনা মরম ওইদুনা চীং নীংখায়রকপদগী হায়ৰেশিং থিংজিনখিবনা চৎথোক-চৎশিন্দা চাওনা অৰাবা মায়োক্নখি হায়রি।

ঈচাও থোকপদগী মফম অদুদা মথৌ তৌবা ফ্লাইটশিংসু লেপখিবগা লোয়ননা লম কোইবা কয়াসু চাওনা অৰাবা মায়োক্নহল্লে। ঈচাও অমসুং চীং নীংখায়বগী অৰাবশিং মপূং ফানা মায়োক্নবগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা মী কনবা অমসুং মতেং পীবগী থবকশিং চত্থরি হায়না হন্দক্তা নৌনা খল্লবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সুশিলা কার্কিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিংনসু মপূং ফানা মী কনবা অমসুং তেংবাঙ পীবগী থবকশিং চত্থনবা পাউতাক পীখি।

নেপালদা থোক্লিবা ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা দার্জিলিংদসু চাওনা খুদোংথীবা মায়োক্নহল্লে। চা মনা পুথোকপদা মমিং চৎলিবা হিল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা দার্জিলিংদসু ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২০ লোম শিহনখ্রে হায়রি। য়ূমলোন্নরিবা ভুটানদসু ঈচাওগী অৰাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং ভুটান ওঠোরিটিশিংগা খুৎশন্নদুনা মী কনবা অমসুং তেংবাঙ পীবগী থবকশিং চত্থখি হায়রি।

# প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা গাজাদা বোমগী লান্দা চত্থবা লেপ্নবা খঙহনখ্রবসু ইজরেলগী ষ্ট্রাইকতা মীওই ৭০ শিখ্রে



ইজরেল লান্মীনা লেপ্পা লৈতনা লান্দা চত্থখিবা

**টেল অভিভ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হামাসনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী গাজা পীছ প্লান অয়াবা পীরকখ্রবা তুংদা ইজরেলনা গাজাদা খূদক্তা বোমগী লান্দা চত্থবা লেপ্নবা ফোঙদোক্লিঙৈ চৈরক্তা ইজরেল লান্মীনা ঙরাং নোংথক্তগী লান্দা চত্থদুনা পলেষ্টাইন মচা ৭০ রোম হাৎখ্রে হায়রি।

অল জাজিরানা পীরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা চহী ৭কী অঙাংশিং অমসুং থা ২গী অঙাং কয়াসু য়াওখি হায়রি। গাজা সিটি অসি ইজরেল মিলিটরিনা লেপ্পা লৈতনা বোমগী লান্দা চত্থদুনা লাকপদগী মীশি-মীনা থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংলক্লি।

গাজা সিটিগা য়ূমলোন্নরিবা টুফাহনদসু ইজরেল লান্মীনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা য়ূম অমদা লৈবা মীওই ১৮ হাৎখি অমসুং কয়ানা অশোক-অপন নংখি হায়রি। ইজরেল ফোর্সশিংনসু খা থংবা গাজাগী অল-মৱাসিদা লৈবা দিসপ্লেসমেন্ট কেম্পশিংদসু লান্দা চত্থদুনা অঙাং অনী হাৎখি হায়রি।

হামাস গ্রুপনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী গাজা পীছ প্লানগী শরুক খরদা অয়াবা পীনবা থৌওং উৎখিবগা লোয়ননা ইজরেলনসু ফাজিন্দুনা থল্লিবা পলেষ্টাইনগী মীওই ২০০ রোম হামাসতা খুৎশিন্ননবা থৌরাং তৌরে হায়না হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলনা গাজাদা লেপ্পা লৈতনা বোমগী লান্দা চত্থদুনা মীওই কয়া লেপ্তুনা হাৎলিঙৈ চৈরক অসিদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ইজরেলগী কোনুং টেল অভিভতা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মশীং য়াম্লবা মীয়াম অদুনা টেল অভিভকী হোষ্টেজ স্কৱারদা পূন্দুনা হামাসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লানফাশিং থাদোকহন্নবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী গাজা পীছ প্লান অসি মায় পাকহন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি। মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটানয়াহুনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হামাসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ইজরেলগী মীওইশিংবু থাদোক্লগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

ষ্টেট টেলিভিজনদা পীখিবা ৱারোল অমদা পি এম নেটানয়াহুনা হামাসশিংনা খুৎলায় থাদোক্লগনি অমসুং গাজাদা লৈরিবা ইজরেলগী লান্মীশিং হন্দোরকপগা লোয়ননা মীয়াম্না পাল্লিবা হামাসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং থাদোকহনবদু মপূং ফানা মহয় য়াল্লগনি হায়খি।

হামাস অমসুং ইজরেলগী মরক্তা সিজফায়র থম্ননবগী থৌরাং অমা ওইনা হয়েং ইজিপ্টতা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়রি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী গাজা পীছ প্লান অসিদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা থিন্থবা তৌদনবা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা তকশিনখিবগা লোয়ননা হামাসশিংনসু অথুবা মতমদা পীছ প্লান মপূং ফাহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ট্রম্পনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সোমালিয়াগী মোগাদিশু প্রিজনদা অল-শবাব ফাইটরশিংনা লান্দাখ্রে, সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩ হাৎখ্রে



অল-শবাব ফাইটরশিংনা লম্বীদা পেট্রোল্লিং চৎখিবা

**মোগাদিশু, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিশুদা লৈবা প্রিজন কমপ্লেক্স অমদা অল-শবাব ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা লান্দারকখ্রে হায়রি। লান্দারকখিবা ফাইটরশিং অদু পুং কয়ামরুম চুপ্পা নোংমৈ কাপ্পরবা মতুংদা হাৎপা ঙমখি হায়না সোমালি লৈঙাক্না ফোঙদোরকখ্রে।

অল-শবাব ফাইটরশিংনা মোগাদিশুদা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ প্রিজন কমপ্লেক্স অমা ওইরিবা গোদকা জিলোদা ঙরাং অকনবা মওংদা লান্দারকখিবনি হায়রি। ফাইটরশিং অদুনা কার অমা পোকখায়হন্দুনা লান্দাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা সোমালিয়ন আর্মিগা চাওনা খুৎ থোক্নখিবা অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই ৩ এটেকর অদুগী মখূৎতা লৈখিদ্রে হায়রি।

অল-কাইদাগী মপাং অমা ওইরিবা অল-শবাবনা মখোয়গী মীওই খরা কৈশুমশঙ অদুদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা অদু নান্থোকহন্নবগী থৌরাং অমগা লোয়ননা লান্দা অদু চত্থখিবনি হায়রি।

কৈশুমশঙ অদুদা মথৌ তৌরিবা সোমালি সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ন্যুজ এজেন্সীদা থল্লকপা ৱারোল অমদা কৈশুমশঙ অদুগী সেল গেটতা পোকখায়খিবগী অহৌবা মখোল অমা তাখ্রবা মতুংদা ইকান কান্নদনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি হায়রি। অল-শবাবকী ফাইটরশিং অদুবু লাকশিনবা অমসুং নমথবা ঙম্নবগীদমক অহেনবা ফোর্সশিং থোমজিল্লকখি হায়রি। সোমালিয়াগী ফেদরেল লৈঙাক্না হৌখিবা কুমজা ২০০৭তগী হৌদুনা অল-শবাব ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্নদুনা লাকখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়াদা স্কুল নীংখায়দুনা শিখিবা মশীং ৩৬ য়ৌখ্রে

**জার্কর্টা, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা ইস্লামিক বোর্দিং স্কুলগী বিল্ডিং নীংখায়রক্তুনা মহৈরোয়শিং শিখিবগী মশীং ৩৬ য়ৌখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী দিজাষ্টর মিটিগেশন এজেন্সীনা ফোঙদোরকখ্রে।

মী কনবশিংনা থিবা ফংদনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু থিবগী থবক চত্থরকপা নুমিৎ ৭নি শুজিল্লক্লে হায়রি। চহী ১৩দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয় ২৭ থিবগী থবকশিং মখা তানা চত্থরি হায়না এজেন্সীনা ফোঙদোরক্লি।

হকচাংশিং থিবা অদুদা ক্রেনশিং শীজিন্নদুনা অতেক-অকায়শিং অদু লৌথোকপগা লোয়ননা অতেক-অকায়শিং লৌথোকপা চাদা ৬০ লোইশিল্লক্লে হায়খি। হয়েং ফাওবদি অতেক-অকায়শিং অদু লৌথোকপা লোইদুনা থিবগী থবক লোইশিনবা য়ানা লৈরে হায়না এজেন্সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি।

ইষ্ট জাভা প্রোভিন্সকী সিদোআর্জো টাউনদা লৈবা অল খোজিনি কৌবা স্কুল অদু হৌখিবা নিংথৌকাবদা নীংখায়রক্তুনা মহৈরোয় কয়া খূদোংথীবা মায়োক্নখিবনি। মহৈরোয়শিংনা নুমিৎয়ুংবা মতুংগী লাইনিং লাইশোল চত্থরিঙৈ চৈরক্তা স্কুল বিল্ডিং অদু খঙহৌদনা নীংখায়রকখিবনি। স্কুল অদুগী ফাউন্দেশন মতিক চাদবনা মরম ওইদুনা স্কুল বিল্ডিং মখা তানা শাগৎলকপা অদু পুবা ঙমদবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না এজেন্সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাগী অয়াবা লৌরগা খূদোংথীবা মায়োক্নরিবা মহৈরোয়শিং অদু লৌথোক্নবগী পান্দমদা হেভি ইক্বিপমেন্টশিং শীজিন্নদুনা মী কনবগী থবক চত্থদুনা লাকখি।

# চিকাগোদা নেশনল গার্দ ট্রুপ ৩০০ রোম মথৌ তৌনবা য়ু এস লৈঙাক্না অয়াবা পীখ্রে



চিকাগোদা নেশনল গার্দ ট্রুপশিং মথৌ তৌবা

**ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** দোনাল্ড ট্রম্পনা চিকাগোদা নেশনল গার্দ ট্রুপ ৩০০ মথৌ তৌনবা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী অহেনবা ট্রুপশিং অদু মথৌ তৌহনখিবনি হায়রি।

দেমোক্রেটনা লৈঙাকপা সিটি অমা ওইরিবা চিকাগোদা ইম্মিগ্রেশনগা মরী লৈননা খোঙজংলোয়শিংনা পাক শন্না খোঙজং চঙশিল্লকপা অদু লাকশিনবা ঙম্নবগীদমক প্রসিদেন্ট ট্রম্প লৈঙাক্না অহেনবা নেশনল গার্দ ট্রুপশিং থম্নবা অয়াবা পীখিবনি।

চিকাগোদা নেশনল গার্দ ট্রুপশিং থমজিল্লকখিবা অদুবু লোকল লীদরশিংনা য়ানিংদবগা লোয়ননা থৌওং অদু পাৱর লান্না শীজিন্নবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইল্লিনোইসকী গভর্ণর জে বি প্রিটজকরনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অহেনবা লান্মীশিং থম্নবা খঙহনখিবা অদু ষ্টেট অসিদা ক্রাইসিস থোকহন্নবা থৌরাং অমনি হায়খি।

পোর্টলেন্দগী ফেদরেল জজনা নেশনল কোষ্ট গার্দ ট্রুপ ২০০ ওরেগোনদা থম্নবা থৌরাং তৌরিবা অদু লেপ্নবা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেশনদা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিঙৈ চৈরক্তা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা চিকাগোদা নেশনল গার্দ ট্রুপ ৩০০ মথৌ তৌহনবদা অয়াবা পীখিবনি।

পোর্টলেন্দগী ফেদরেল জজ কেরিন ইমরগটনা পোর্টলেন্দদা নেশনল গার্দ ট্রুপ ২০০ রোম থল্লক্লিবা অসি কন্সটিটুস্যশনবু খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি হায়খি। ওরেগোনদা নেশনল গার্দ ট্রুপশিং থমজিল্লকপা অসিনা ষ্টেট অসিগী নিংতম্বা অমসুং অতোপ্পা কয়াদা অকি-তুজুং পোকহল্লে হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উননা লানগী খূৎশু খূৎলায়শিং মখা তানা শেমগৎনবা মরী লৈনবশিংদা য়াথং পীখ্রে



কিম জোং উননা লানগী খূৎলায়শিং য়েংশিনখিবা

**পীয়োংয়াং, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** এসিয়াগী খা থংবা শরুকশিংদা য়ু এস মিলিটরি ফোর্সশিংবু মপাঙ্গল কনখৎলক্নবা থৌরাং তৌরিবা অসিগী পাউখুম পীরদুনা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উননা লৈবাক অসিগী অহেনবা লানগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শেমগৎ-শাগৎনবা মরী লৈনবশিংদা য়াথং পীখ্রে হায়রি।

ৱর্কর পার্টি ওফ কোরিয়া লিংখৎখিবগী ৮০শুবা চহীগী কুমওনগা মরী লৈননা মিলিটরি এগজিবিশন অমদা শরুক য়ারদুনা কিম জোং উননা য়ু এস অমসুং মহাক্কী চৎমিন্নরিবা এসিয়াগী লৈবাকশিংনা লানগী থৌরাং তৌরক্লিবা অসিবু থেংননবা লৈবাক অসিগী অনৌবা খূৎশু-খূৎলায়শিং শেমগৎনবা য়াথং পীখিবনি।

ৱর্কর পার্টি ওফ কোরিয়া লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা মখা তানা ৱা ঙাংলদুনা কিম জোং উননা য়ু এস ফোর্সশিং থেংননবগীদমক লৈবাক অসিনা লানগী অনৌবা খূৎশু-খূৎলায়শিং শেমগৎ-শাগৎপদা চিংননিংঙাই লৈতে। রসিয়াগা অচেৎপা মরী থম্নরিবা নোর্থ কোরিয়ানা য়ুক্রেনগী লানদা মখোয়গী ট্রুপশিং অমসুং খূৎলায়শিং রসিয়াদা মতেং পাংদুনা লাকপগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শেমগৎ-শাগৎপদসু রসিয়ানা চাওনা মতেং পাংলি হায়নসু সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা য়ূমলোন্নরিবা চাইনাগা অচেৎপা মরী থম্নবদা নৎতনা ঙাক-শেনগী লম্দা চাওনা মতেং পীনদুনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা শীংনরকপা কয়াবু মায়োক্নরক্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়রি।

# রসিয়ানা পাকিস্তানদা ফাইটর জেট ইঞ্জিন পীবগী ৱাফম লৈতে : রিপোর্ট



রসিয়ানা শাবা আর দি-৯৩ এম এ জেট ইঞ্জিন

**মোস্কো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** রসিয়ানা শাবা আর দি-৯৩ এম এ ফাইটর জেট ইঞ্জিন পাকিস্তানদা পীগদৌরি হায়না রিপোর্ট তৌনরকখিবা অদু রসিয়াগী মায়কৈদগী য়াখিদবগা লোয়ননা জে এফ-১৭ থন্দর ব্লোক থর্দ ফাইটর জেটশিংদা পান্নবগী ইঞ্জিনশিং পাকিস্তানদা পীবগী ৱাফম লৈতে হায়না দল্লিয়ু আই ও এননা ঙরাং থল্লকখ্রে।

রসিয়ন সোর্ছতগী ফংলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা রসিয়ানা পাকিস্তানদা ফাইটর জেট ইঞ্জিনশিং পীবগী থৌরাংশিং লৈতে হায়না শেংদোক ৱারোল থল্লক্লি।

রসিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা ফাইটর জেট ইঞ্জিন পীবগী অচৌবা য়ানবশিং লৈ হায়নসু সোর্ছ অমনা ফোঙদোরকখ্রে। ইন্দিয়ানা নুংঙাইরোইদবা থৌরাং অমত্তা রসিয়াগী মায়কৈদগী পায়খৎপা লৈতে অমসুং পাকিস্তানগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা ফাইটর জেট ইঞ্জিন পীনবগী য়ানখিবসু লৈতে হায়না সোর্ছ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা কোংগ্রেসনা ইন্দিয়াদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী মথক্তা চাইনানা শাবা জে এফ-১৭ ফাইটর জেটশিংদা পান্নবা ইঞ্জিনশিং রসিয়ানা পীগদৌরি হায়না ফোঙদোক্তুনা বি জে পিগী মথক্তা শীংনরকখিবগী শেংদোক ৱারোল থল্লদুনা দল্লিয়ু আই ও এননা রসিয়াগা পাকিস্তানগা জেট ইঞ্জিন পীবগী য়ানবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

জেট ইঞ্জিন পীবা অসিগা মরী লৈননা সোসল মীদিয়া পোষ্ট এক্সতা থাগৎলকপা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ইন্দিয়াগা খ্বাইদগী নক্লনা চৎমিন্নরিবা রসিয়ানা করিগীদমক পাকিস্তানদা ফাইটর জেট ইঞ্জিন পীগদৌরিবনো হায়বদু ইন্দিয়াদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্না শেংদোরক্কদবনি হায়নসু চেকশিন ৱারোল থমখি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা হন্দক্তা শোক্নখিবা লানগী মনুং চন্না ওপরেশন সিন্দুরদা চাইনানা শাবা জে এফ-১৭ থন্দর ব্লোক থর্দ ফাইটর জেটশিং নৌনা শেমদোক-শাদোক্তুনা ইন্দিয়াগী মথক্তা পি এল-১৫ মিসাইলশিং শীজিন্নখি হায়নসু ইন্দিয়াগী লোমেকরশিংনা মরাল শীরকখি।

# মীওই ১০০০ রোম থোক্নকপা য়াখিদ্রে

**শাংহাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** মাউন্ট এভেরেষ্টকী টিবেটলোম থংবা শরুক্তা উন পুবা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপদগী মীওই ১০০০ রোম থোক্নকপা য়াদনা লৈরে হায়না চাইনিজ ষ্টেট মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি। মশীং য়াম্লবা খুঞ্জাশিং অমসুং রেস্ক্যু টিমনা মফম অদুদা পৈশিল্লিবা উনশিং অদু লৌথোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি হায়রি। সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৪০০৯ ৱাংবা মফম অদুদা উন পুবা নুংশিৎ শীৎলকপদগী লম কোইবশিংদা চাওনা খূদোংচাদবা নংখিবনি হায়রি। উন পুবা নুংশিৎ শীৎলকখ্রবা মতুংদা লমকোইবা খরদি তেক্ত-কায়দনা চীংজাও অদুদগী কুমথরক্লে হায়রি।

# য়ু কেদা লৈবা মোস্ক অমা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে



য়ু কেগী মোস্ক অমা মৈনা তুম্না থাদোকখিবা

**লন্দন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):** য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা মোস্ক অমা লমহেন-তুহেনবশিংনা মৈনা তুম্না থাদোকখ্রে হায়রি।

মৈ থাদোকখিবা অদুদা মীওই অনীসু মোস্ক মনুংদা লৈখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদু য়াম্না ফত্তবা ক্রাইম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মোস্ক অদু কন্নবগীদমক ফায়র ক্রুশিংনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৫০ রোমদা থুংখিবগা লোয়ননা কনবা ঙম্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎখি হায়রি। য়ু কেগী পীছহেভনদা লৈবা মোস্ক অদুগী মেনেজরনা থল্লকখিবা ৱারোল অমদা অমুবা মচুগী ফুরিৎ লিৎপা মীওই অনীনা মোস্ক অদুগী থোঙ অদু নমদুনা হাংদোল্লবা মতুংদা গেসোলিন হৈজিন্দুনা মৈ থাখিবনি হায়রি।

মোস্ক অদুগী চেয়রমেন অমসুং ৱারশিপ্পরশিংনা চা থক্নবগীদমক মোস্ক অদুগী মনুংদা লৈরিঙৈদা মোস্ক অদুগী মরুওইবা চঙফম গেটতা মৈ চাকপগী মৈরীশিং উখিবনি হায়রি। লমহেন-তুহেনবা মীওইশিং অদুনা মোস্ক অদু মৈ থাদোকখিবা অদুদা চাওনা অমাঙ-অতা থোক্লে হায়রি। মোস্ক অদুগী থোঙদা থেৎপা কেমেরাগী ফুটেজদা উখিবা শক্তম অমদা মীওই অনীনা থোঙ অদু হাংদোক্নবা কয়ারক হন্না হোৎনখিবগী শক্তমশিং উখি হায়রি।

সসেক্স পুলিসনা থল্লকপা ৱারোল অমদা মৈ থাদোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মোস্ক অদুগী মপান্দা খাম্বা গাড়ী অমা অমাঙ-অতা থোকখি হায়রি।

[illegible]

[illegible]